# ‘অনৌবা শেমদোক্লবা লো অদুনা সিটিজেনসিপ মাঙহল্লোই’

## দিল্লিগী রামলীলা মৈদানদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱা ঙাংখ্রে



**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২(এজেন্সি)ঃ** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা বি জে পিনা শিনখিবা দিল্লিগী রামলিলা মৈদানদা পাংথোকপা পাক-চাওরবা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংখ্রে অমসুং অনৌবা শেমদোক্লবা সিটিজনসিপ লো অদুনা ইন্দিয়ান মুস্লিমশিং নৎত্রগা অতোপ্পা অমত্তদা করিসু তৌগদবা লৈতে। মখোয়গী সিটিজনসিপ মাঙলোই হায়খ্রে।

য়ুনিটি ইন দাইভসিটিনা ইন্দিয়াগী অখন্নবা তোঙানবা মশক অদুনি হায়না মহাক্না হায়খি। হৌজিক ঐহাক্না য়ুনিটি ইন দাইভসিটি হায়রক্কে, নখোয়না ইন্দিয়াগী স্পিসিয়েলিটি হায়না পাউখুম পীয়ু হায়না মীয়ামদা মহাক্না হায়খি।

খোল্লাউ অদু অহুম্লক হন্না লাওরবা তুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অতৈ হিরমশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংবা হৌখি। সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্টকী মতাংদা লৈবাক অসিদা হৌজিক চখরিবা প্রোটেষ্টশিংগী মতাংদা নহানমখৈ মহাক্না তুমিন্না লৈরম্বা অদু তোক্লদুনা হিরম অসিদা মতাংদা মহাক্না ৱা ঙাংখি।

তোকঙাশিং শন্দোক্লদুনা মীয়ামদা লান্না লমজিংবগীদমক মহাক্না মরান শীখি। মৈ থাবা তারবসু মহাক্কী মিতম অদু ওইনা মৈ থানবা অমসুং মীয়ামগী লনথুম মৈ থাদনবা প্রোটেষ্টরশিংদা মহাক্না অপিল তৌখি।

ইন্দিয়াদা লাকপা অপাম্বশিং অদু তরান্না ওকই হায়না মহাত্মা গান্ধীনা হায়রমখি। ইন্দিয়াগী তোঙানবা অখন্নবা মশক্তি মসিগী দাইভসিটিদা লৈ। ঐগী গভর্ণমেন্টনা মসি খঙই।

সিটিজনসিপ লো অমসুং এন আর সিনা ইন্দিয়ান মুস্লিমশিংদা করিসু তৌগদবা লৈতে। অদুবু মখোয়না পাকিস্তানগী অপনুবা মীশিং অদু লোয়নমত্তা সিটিজনসিপ পীরবগুন্না হায়রি, মসিবু করিগুম্বা মফমদা থোকপা লৈখ্রবা হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হংখি।

মনমোহন সিংহনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা লাইনিংগী য়ুমফমদা বাংলাদেসতা ওৎপিরিবা মীয়ামদা ঐখোয়না সিটিজনসিপ পীগদবনি হায়খি। হায়রিবা চপ মান্নবা ৱাফম অদু মহাক্না হায়বা মতমদা মোদিবু করিগী ফৎতে হায়রিবনো হায়নসু হংখি।

ঐহাক্না অনীরক মায় পাকখিবদা মখোয় (ওপোজিসন)না শাওরি, অদুবু মখোয়না মোদিবু তুকৎচনা খনবা য়াই অদুবু ইন্দিয়াবুদি তুকৎচগনু। মীয়ামগী লন-থুম মৈ থাদুনা মাঙ-তাকহনবা লেপ্পু, লাইরবা মীওই অমগী ওটো মৈ থাবা লেপ্পু হায়বসি ঐহাক্না মীয়ামদা হায়বা পাম্মি।

মাইনোরিটিশিংগী মথক্তা পাকিস্তানদা চখরিবা ওৎ-নৈবা অমসুং মীচং-মীখায় নাইবা অমা উৎখোক্লবা ঐখোয়গী তাঞ্জা অমা ফংখি অদুবু সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসিগী মায়োক্তা ঐখোয়গী মায়োক্লবা লাম্বাশিংগী পোলিটিক্সনা মরম ওইদুনা মদু মাঙখ্রে।

সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসি কনাগুম্বা অমগী সিটিজনসিপ মুন্নবা নৎত্রগা মাঙহন্নবগী নত্তে। মসি মতেং শাথিনা মথৌ তারবা ওৎপীবা মাইগ্রেন্টশিংদা সিটিজনসিপ পীনবগীনি।

মোদি সরকারনা দলিতশিংগী থাক ৱাংখৎহন্নবা হোৎনরি মসিদা ঐগী ক্রিটিকশিংনা নুংঙাইতবা অমসুং পূক্নিং লৈতাদবা ফাওরিবা করিগীনো? দিল্লিগী মজনু কা তিলা দা নাগ্রিকতা কৌবী নুপীমচা অমা পোকখি। নাগ্রিকতাগী পূন্সি নুংঙাইরকপদা নখোয়না করিগী খোয়শাওনরিবনো হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হংখি।

ঐখোয়না অসামদা এন আর সি চংখিবদু মদু সুপ্রিম কোর্টনা পাংথোক্লবা ঐখোয়না পাউতাক পীরকখিবা মরমদগীনি।

অরবান নকসাল খরনা মুস্লিম পূন্নমকপু দিটেন্সন সেন্টরশিংদা থাজিনখ্রগনি হায়বা তোকঙাশিং শন্দোক্লি। দিটেন্সন সেন্টরশিংদা মুস্লিম অমত্তা থাবা লৈতে, নৎত্রগা ইন্দিয়াদা অদুগুম্বা দিটেন্সন সেন্টর অমত্তা লৈতে। অসিগুম্বা মীনম্বশিং অসি য়ৌনা শন্দোকপা মীওই খরা লৈরিবসি ঐহাক থম্মোয় শোকই হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

নখোয়না লৈবাকসিগী লোক সভা, লৈবাকসিগী রাজ্য সভা অমসুং লৈবাকসিগী পার্লিয়ামেন্ট অদুগীদমক লেপকদবনি অমসুং ঈকাইখুম্নগদবনি। মসিদা নখোয়গী লৈরিবা থৌনা পূন্নমক্তুগা লোয়ননা ঈকাইখুম্নগদবনি।

সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট (সি এ এ)গী মরমদা অরানবা তোকঙাশিং শন্দোক্লিবা অদুগুম্বা মীওইশিং অদুদা ঐহাক্না হংবা পাম্মি, দিল্লিদা অনওথোরাইজ কোলোনিশিং অদু ওথোরাইজ তৌনবা ঐখোয়না ৱারেপ লৌখিবা মতমদা কনাগুম্বা অমদা ঐখোয়না মখোয়গী লাইনিং নৎত্রগা পোলিটিকেল পার্টি হংখ্রবরা? হিন্দুশিং, মুস্লিমশিং, সিখশিং, খৃষ্টানশিং লোয়নমক কান্নবা ফংহনখি। মফম অসিদা লৈরিবা পূন্নমক কান্নহনখি। ঐখোয়না মসি করিগী তৌরিবনো? মরমদি ঐখোয়না লৈরিবসি লৈবাক অসি নুংশিবগীদমক্নি। ‘সবকা সাথ, সবকা বিকাস’কী মন্ত্রদা ঐখোয় কখোক্লবনি হায়না মোদিনা হায়খি।

ইন্দিয়ান ক্রোর ১০৩ অসি সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল অদুগা মরী লৈনদে। নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি)কী মরমদসু মীনম্বা ময়াম অমা শন্দোক্লি। মসি কোংগ্রেস লৈঙাক মতমদা শেম্লম্বনি। মসি ঐখোয়না শাবা নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টতা পুরকপা নৎত্রগা লাওথোকপা নৎতে হায়খ্রে।

হৌখিবা চহী ৫দা ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা লাইরবশিংগীদমক য়ুম করোর ১.৫ শাখ্রে। মদুদা ঐখোয়না মখোয়গী লাইনিং করিনো হংখিদে। লাইরবা অমসুং মথৌ তারবশিংবু ঐখোয়না মতেং পাংখিবা খক্তনি হায়খি।

# ক্যুবানা ১৯৭৬ মতুংদগী টুরিজম মিনিষ্টর মারেরো ক্রুজবু অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর হাপখ্রে



**হভনা, দিসেম্বর ২২(এজেন্সি)ঃ** ক্যুবাগী প্রসিদেন্ট মিগুয়েল দিয়াজ-কেনেলনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা টুরিজম মিনিষ্টর মেনুয়েল মারেরো ক্রুজপু ১৯৭৬ কী মতুংদগী লৈবাকসিগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা হাপখ্রে।

টুরিষ্টশিং লাকপা হেনগৎলকখিবা, অমসুং হোটেল কনষ্ট্রকসন চাওখৎলকখিবা অদুনা টুরিজমবু ক্যুবা ইকোনোমিগী খ্বাইদগী মরুওইবা সেক্টরশিংগী মনুংদগী অমা ওইহল্লক্তুনা মশাগী চহী ৫৬ শুরবা মরেরোনা চহী ১৬ টুরিজম মিনিষ্টর ওইরকখি।

ষ্টেট মেদিয়াগী মতুং ইন্না ফোরেন ইনভেষ্টরশিংগা মন্তিক্লবগী ৱারী শান্নবদা মারেরোগী এক্সপরিয়েন্স অদুবু প্রসিদেন্ট দিয়াজ কেনেলনা মাগী খ্বাইদগী মরুওইবা ক্বালিফিকেসনশিংগী মনুংদগী অমনি হায়না শীংথাই।

১৯৫৯দগী ১৯৭৬ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম অসি ফিদেল কেষ্ট্রোনা পায়রমখি। অনৌবা কনষ্টিট্যুসন অমনা ফিদেল কেষ্ট্রোগী টাইটল অদু প্রসিদেন্টতা ওন্থোকখি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম অদু ১৯৭৬তা মুখৎখিবনি।

ফিদেল কেষ্ট্রো অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা রাউল কেষ্ট্রোনা কম্যুনিষ্ট পার্টি লিদর গুম্বা ক্যুবাগী অতৈ খ্বাইদগী ৱাংবা ফমশিংগা লোয়ননা প্রসিদেন্টকী ফম চহী অদু ফাওবা পায়রমখি। চহী অদুদা রাউল কেষ্ট্রোনা প্রসিদেন্ট ওইবদগী ফম থাদোকখি অমসুং অনৌবা কনষ্টিট্যুসন অমনা প্রসিদেন্টকী রেস্পোন্সিবিলিটিশিংবু কেষ্ট্রোগী মহুৎ শিলহৌবা মিগুয়েল দিয়াজ-কেনেল অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী অনৌবা ফম অদুগগী মরক্তা অনী থোক্না য়েন্থোক্লখি।

অনৌবা কনষ্টিট্যুসন অদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরসকী মকোক ওইনা গভর্ণমেন্টকী নুমিৎ খুদিংগী থবকশিংগী দায়ত্ব লৌগনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী চহী ৫গী তার্ম অমা লৈগনি অমসুং দিয়াজ -কেনেলনা হাপকনি অমসুং নেসনেল এসেমব্লিনা এপ্রুব তৌগনি।

নেসনেল এসেমব্লিদা পীরকপা প্রসিদেন্টগী প্রোপোজেল খুদিংমক হন্দক ময়ান্না খঙনরবা অমখক নত্তনা, মত অমত্তা ওইনা এসেমব্লিনা অয়াবা পীগনি।

# সেপ্টেম্বর ২৮গী প্রসিদেন্ট মীখলগী অহানবা থোক্লকপা ফলশিংদা অশ্রফ ঘনিনা প্রসিদেন্ট মীখল মায় পাক্লি



**কাবুল, দিসেম্বর ২২(এজেন্সি)ঃ** অফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘনিনা মীখলগী অহানবা ফংবা ফলশিংদা খজিকখক্তং হেল্লগা মায় পাক্লুনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা অনীশুবা তার্ম অমাদা অমুক ফংবগী ফিভমদা লৈরে, অদুবু মহাক্কী মরুওইবা লম্বানা ফল অদু শীংনগনি হায়না খুদক্তা ৱাশকখ্রে।

সেপ্টেম্বর ২৮দা পাংথোকখিবা মীখল অদু অরানবশিং অমসুং করপসন তৌই হায়বগী মতাংদগী থা কয়াগী পোলিটিকেলগী মুক্লবা অমা লৈরমখিবনি। অফগানিষ্টানগী ইন্দিপেন্দেন্ট ইলেক্সন কমিসন (আই ই সি)না ঘনিনা ভোটকী চাদা ৫০.৬৪ ফংলে হায়খি। ফংলিবা ফল অসি ঘনিগীদমক মীখল অমুক হনবা মায়োক্লদনবা মতিক চারে। মহাক্না মাগী খ্বাইদগী কনবা চেলেঞ্জর চীফ একজিক্যুটিব অবদুল্লাহ অবদুল্লাহবু লায়না মায়থিবা পীরে। অবদুলানা ভোট চাদা ৩৯.৫২ ফংখি।

অরোইবগী ফল লাওথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙ হেজিক কেন্দিদেটশিংনা মখোয়না ৱাকৎনিংবশিং ৱাকৎনবা নুমিৎ হুন্নিগী মতম লৈরি। অরোইবা মীখলগী ফল অদু চয়োল খরগী মনুংদা লাওথোক্লবা য়াই। ফলশিং অদু লাওথোকখিবগী মতুং থুনমক অবদুল্লাহগী ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা মদু মহাক্না শীংনগনি হায়খি।

ঐখোয়গী ফংফম থোকপা দিমন্দশিং অসি হান্না খন্নদুনা কোকহন্দ্রিবা মখৈ অশোয়বা-অরানবা ভোট অসিগী ফল অদু ঐখোয়গী টিমনা য়ারোই হায়বসি ঐখোয়গী মীয়াম, শৌগৎপশিং, ইলেক্সন কমিসন, ঐখোয়গী ইন্টরনেসনেল খোঙবুশিংদা ঐখোয়না অমুক হন্না শেংনা খঙহনবা পাম্মি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

# সোসিয়েল মেদিয়াগী ৱাখল-ঈথিল পীখিবা মীওই অদু মশাগী চহী ৭৪ শুবদা লৈখিদ্রে



**চিকাগো, দিসেম্বর ২২(এজেন্সি)ঃ** ইন্টরনেটকী থাক ৱাংখৎলকখিবা, মেসেজিং এপ্পস অমসুং সোসিয়েল মেদিয়া ওইরক্লবগী ৱাখল-ঈথিল পোকহন্দুনা অহানবা ওনলাইন বুলেটিন বোর্দ অদু শাগৎপদা মতেং ওইখিবা রেন্দি সুয়েস কৌবা কমপ্যুটর হোব্বিয়িষ্ট অদু চিকাগোগী হোস্পিটাল অমদা দিসেম্বর ১০দা লৈখিদ্রে, মহাক চহী ৭৪ শুখ্রে। মহাক শিখিবগী ৱাফম অদু মচানুপী কেররিনা অরেপ্পা ফোঙদোকখ্রে।

রেন্দি সুয়েস অমসুং অতোপ্পা হোম কমপ্যুটর ক্লব মেম্বর ৱার্দ ক্রিষ্টেনসেলগনা ১৯৭৮তা অনৌবা কমপ্যুটর মেসেজিং সিষ্টেম অমা শাখি। মদুগী ৱাখল্লোনদি ক্লব মেম্বরশিংনা মখোয় মশাগী কমপ্যুটরশিং অমসুং টেলিফোন লাইনশিং শিজিন্নদুনা কন্নেক তৌনবা ঙমহনগদবা সেন্ট্রেল কমপ্যুটর অমা শান্নবনি।

চয়োল অনীগী মতুংদা মখোয়গী সিষ্টেম অদু পানখৎলে অমসুং চল্লাইরে। মদুদগীদি ক্লব অদুনা মিটিংশিং, অনৌবা আইদিয়াশিং অমসুং অনৌবা প্রোজেক্টশিংগী মরমদা মেসেজশিং থাদোক-থাজিন তৌনখি।

অহানবদা রেন্দি সুয়েসনা মখোয়না পুথোক্লিবা অদু ‘কমপ্যুটর ইলাইটস কম্যুনিকেসন প্রোজেক্ট’কী অশন্বী সি ই সি হায়না মমিং থোনসি হায়না হৌদোকখি। অদুবু মদুগী মতুংদা মখোয়না কমপ্যুটরাইজ বুলেটিন বোর্দ সিষ্টেম হায়না থোনবা য়ানখি।

১৯৭০গী অথেঙবা চহিশিং অমসুং ১৯৮০গী চহীশিং চংশিল্লকপদা লল্লোন-ইতিক্কী মেগাজিনশিংদা মখোয়গী সিষ্টেম অদুগী মরমদা শন্দোক্লকখ্রে। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা হোব্বিয়িষ্টশিংনা রিয়েল-টাইম চার্ট রুমসতগীনা ভিদিও গেমসশিং ফাওবগী খুদিংমক য়াবা মখোয় মশাগী ওনলাইন বুলেটিন বোর্দশিং শান্নখি।

মসিগী গ্রাসরুটস সার্ভিসশিং অসি ত্বিটর, ফেসবুক অমসুং য়ু ট্যুব কুম্বা মালেম পাক শন্না শন্দোক্লবা হৌজিক মতমগী সোসিয়েল মেদিয়া সার্ভিসশিং অসিগী মাঙজিন থারম্বশিং অদুনি।

# প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ওফিসিয়েল ওইনা য়ু এস স্পেস ফোর্স হৌদোকখ্রে

**ৱাসিংটন, দিসেম্বর ২২(এজেন্সি)ঃ** য়ুনাইটেদ ষ্টেটস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লৈবাক অসিগী আর্ম ফোর্সশিংগী ৬শুবা মশা ওইরক্কদৌরিবা স্পেস ফোর্স লিংখৎপগী অয়াবা পীদুনা ২০২০ নেসনেল দিফেন্স ওথোরাইজেসন এক্ট অদু সহি তৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা দিফেন্স বিল অদু সহি তৌবদা ঙরাং নুমিদাং ঐহাক অসুক্কী মতিক চাওথোকচবা পোকখি। মরুওইরবা স্পেস ফোর্স অদু শেমখ্রে। অনৌবা প্লেনশিং, জহাজশিং, মিসাইলশিং, রোকেটশিং অমসুং মখল খুদিংমক্কী ইক্যুপমেন্ট লোয়ননা শারিবা পূন্নমক চপ চানা য়ু এসতা লৈরে। মদুগী মথক্তা অহেনবা ওইনা ঐখোয়না বোর্দর ৱাল শাগৎনবা ফন্দিং তৌরে। মসি খ্বাইদগী ফজরবনি হায়না ট্রম্পনা ত্বিট তৌখি।

স্পেস ফোর্স অসিনা য়ু এস মিলিটরিগী খ্বাইদগী নৌবা ব্রাঞ্চ অমসুং ১৯৪৭দা য়ু এস এয়ার ফোর্স লিংখৎখিবা মতুংদগী অহানবা অনৌবা সার্ভিস অদু ওইরগনি।



য়ু এস স্পেস কম্মান্দ অমসুং এয়ার ফোর্স স্পেস কম্মান্দগী কম্মান্দর জোন রেমন্দগী ৱারোল পল্লদুনা সি এন এননা হৌজিক এয়ার ফোর্স স্পেস কম্মান্দদা দ্যুটিগীদমক এক্টিব ওইনা লৈরিবা এয়ারমেন অমসুং সিভিলিয়ান ১৬,০০০ রোম স্পেস ফোর্সতা থল্লগনি হায়খি।

হায়রিবা পার্সোন্নেল ১৬,০০০ অদু স্পেস ফোর্সকী মেম্বরশিং ওইদুনা লৈরোই। মখোয় এয়ার ফোর্সকী ওইদুনা লৈগনি হায়খি। নৌনা লিংখৎলিবা য়ু এসকী স্পেস ফোর্স হায়রিবসি মখোয়গী এয়ার ফোর্সকী দিপার্টমেন্টকী শরুক অমা ওইনা লৈগনি।

# ইন্দিয়া-চিনা আর্মি এক্সর্সাইজ ২০১৯ মেঘালয়াদা লোইশিনখ্রে



**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২(এজেন্সি)ঃ** ইন্দিয়া-চিনা জোইন্ট ট্রেনিং এক্সর্সাইজ হেন্দ-ইন হেন্দ ২০১৯গী ৮শুবা থৌরম মেঘালয়াগী উমরোইদা লৈবা জোইন্ট ট্রেনিং নোদেদা দিসেম্বর ২০দা লোয়শিনখ্রে।

এক্সরসাইজ অদু য়ুনাইটেদ নেসন্স মেন্দেট মখাদা সেমি-অরবান টেরেন অমদা কাউন্টর টেরোরিজম ওপরেসনশিংগী অপূনবা ড্রিলশিং তন্নবগী পান্দমদা পাংথোকপনি।

এক্সরসাইজ অদুদা অমনা অমগী খূৎলাইশিং কাপ্পা, টেক্টিকেল লেকচরশিং পাংথোকপা অমসুং দেমোষ্ট্রেসনশিং য়াওরি। মসি লৈবাক অনীমক্না কাউন্টর টেরোরিজম ওপরেসনশিংগী তোঙান-তোঙানবা মওংশিং অদু ৱাখল থন্নগা পাংথোকপনি।

শিন্নরকপা থবকশিং পাংথোক্লবা মেথদশিংগা লোয়ননা কাউন্টর টেরোরিজম ওপরেসনশিংদা শরুক য়ারিবা ট্রুপশিংগী পূন্না থবক তৌবগী মথৌ তাবা তোঙান তোঙানবা মখলগী ড্রিলশিং য়াওবা পুং ৭২গী ফিল্ড ট্রেনিং এক্সর্সাইজ অমগী মনুংদা ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী কন্টিজেন্ট অনীমক্না ফংবা ঙমখিবা জোইন্ট ট্রেনিং ষ্টৈদরদশিং অদু পুথোকখি।

মশেক মঙালনা থল্লবা থৌরম অমদা শরুক য়ারিবা ট্রুপশিং অদুনা অৱাংবা থাক্কী ষ্টৈদরদসকী মিলিটরি ড্রিল উৎতুনা এক্সর্সাইজ অদু লোয়শিনখি হায়না প্রেসতা থোকপা চেরোল অমদা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা হায়খি।

শরুক য়ারিবা লৈবাক অনীমক্কী অতৈ সেনিয়ার ওফিসারশিংগী মমাঙদা লোয়শিনবগী থৌরম অদু মেজর জেনরেল জে এস সন্ধুনা রিভ্যু তৌখি। মেজর জেনরেল লি সিজোংনা চিনাগী নাকন্ন অদুগী মীহুৎ ওইখি।

# স্পাইগী তাইবং ‘জেমস বোন্দ, নোংমৈশিং, নুপীমচাশিং’ অদু নৎতে



**পুনে, দিসেম্বর ২২(এজেন্সি)ঃ** মায় পাকপা মিলিটরি ওপরেসনশিংদা ইন্টিল্লিজেন্সকী মরুওইবা অদু পল্লদুনা আর্মি চীফ-দেজিগনেট লেফটনেন্ট জেনরেল মনোজ নরাবনেনা থাংজ নুমিৎতা হায়খ্রে, ইন্টিলিজেন্সগী তাইবং অসি য়ান্না অরং আরক ওইনা উৎলিবা ‘জেমস বোন্দ, নোংমৈশিং অমসুং নুপীমচাশিং অদু নৎতে,’ মদুগী ওন্নতৈনবদা জোন লি কাররগী জোর্জ স্মাইলি নোবেলশিংগা হেন্না মান্নে।

লেফটনেন্ট জেনরেলনা ‘আর এন কাউ ঃ জেন্টলমেন স্পাইমাষ্টর’ কৌবা হান্নগী জর্নেলিষ্ট নিটিন গোখলেগী লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদা ৱা ঙাংখি।

আর এন কাউনা ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল ইন্টিলিজেন্স এজেন্সি রিছর্স এন্দ এনালাইসিস ৱিং (আর এন্দ এ দব্লিয়ু) গী অহানবা চীফ ওইনা থবক তৌরমখি। মিলিটরি ওপরেসনশিং অমসুং ইন্টিলিজেন্স খূৎকা খূৎকা শন্নগা চৎলি। ঐখোয়না ওপরেসনগী মতাংদা হেক ঙাংনবা মতমদা য়েক্লবগী পাউ অদুনা মতম পুম্বদা হৌগনি। হায়রিবা পাউ অদু ঐখোয়গী হিন্টিলিজেন্স ওপরেটিবশিংদগী ঐখোয়না ফংগদবনি।

তোঙান তোঙানবা, রিছার্স এন্দ এনালাইসিস ৱিং য়াওনা ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংদগী ঐখোয়না ফংলিবা শৌগৎপা অদু নৎলমদ্রবদি ঐখোয়গী মিলিটিরি ওপরেসনশিং অমত্তা মায় পাকপা ঙমলগ্রোই হায়বসি ঐহাক্না হায়বা ঙম্মি হায়না লেফটনেন্ট জেনরেল নরাবনেনা হায়খি।

ঐখোয়গী ইন্টিলিজেন্সকী মতাংদা করিগুম্বা হেক খল্লকপা মতমদা মহৌশানা জেমস বোন্দ হায়বা মুভি কেরেক্টর অদুগী ৱাখল অদু ঐখোয়না লাকই অদুবু অশেংবদি মদু নৎতে। ঐখোয়না ইন্টিলিজেন্সকী মতাংদা হেক ঙাংনরকপা অমসুং নৎত্রগা খনবদা মহৌশানা জেমস বোন্দ, নোংমৈশিং, নুপীমচাশিং, গিটার অমসুং গ্লেমরগী ৱাখল খল্লি। অদুবু অশেংবদি ইন্টিলিজেন্সকী ৱার্ল্ডদি মদু নৎতে।

ৱার্ল্ড ওফ ইন্টিলিজেন্স অদুদি জোন লি কারর স্মাইলি নোবেলস, উদবা, তাদবা, খঙদবা ফিখল মরুমদা থবক তৌবা, ইনফোর্মেসনগী ভোলুম কয়া এনালাইজ তৌবা অদুগা হেন্না মান্নে হায়না লেফটনেন্ট জেনরেলনা হায়খি।

ইনফোর্মেসন, দাটা অমসুং রিপোর্টশিংগী ভোলুম কয়া কুপ্পা পাদুনা নৈনবদা মদুদগী ঐখোয়না মপুং ফাবা ই-পাউগী শক্তম শাগৎনবা ইনফোর্মেসনগী মকুপশিং অদু পূন্সিন্নহনবা অসি ইন্টিলেকচুয়েল কেপাসিটি অদুননি। আর এন কাউনা লাইরিক অসিদা উৎলিবা অসি মদুমক্কি হায়না সেনিয়ার কম্মান্দর অদুনা হায়খি।

মহাক্কী পেন নেমদা জোন লি কারর হায়রগা হেন্না খঙনবা বৃটিস অইবা দেবিদ জোন মুর কোর্নৱেল মাগী এস্পিওনেজ নোবেলশিংগীদমক মমিং চৎলি। ১৯৫০গী চহীশিং অমসুং ১৯৬০গী চহীশিংদা মহাক্না সেক্যুরিটি সার্ভিস (এম আই ৫) অমসুং সেক্রেট ইন্টিলিজেন্স সার্ভিস (এম আই ৬) অনীমক্কী থবক তৌরমখি।

আর এন কাউ ঃ জেন্টলমেন স্পাইমাষ্টর হায়বা লাইরিক অদুবু থাগৎলদুনা ইবগী খূৎই অসিনা মীওই (কাউ) অদুগী মশক অদু উবা ঙম্মি হায়না লেফটনেন্ট জেনরেল অদুনা হায়খি।

# ঝরখন্দগী এসেমব্লি সিট ৮১গী মীখলগী ভোট মশীং ঙসি থীগনি

**রাঞ্চি, দিসেম্বর ২২(এজেন্সি)ঃ** ঝরখন্দ এসেমব্লিগী অপুনবা সিট ৮১গী নবেম্বর ৩০দগী দিসেম্বর ২০ ফাওবা তাঙ্ক ৫ থোক্না পাংথোককখিবা মীখল অদুগী ভোট মশীং হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎতা থীরগনি।

দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরস ২৪দা অয়ুক পুং ৮দা মশীং থীবা হৌগনি। দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরস পূন্নমক অদুদা মশীং থীনবগীদমক থৌরাং তৌখ্রে। হয়েং নিংথৌকাবগী নুংথিল পুং ১ রোম তাবদগী অহানবা ফল ফংবা হৌগনি।

ভোট মশীং থীবা নুমিৎ অসিদা খ্বাইদগী মীৎয়েঙ চীংশিন্নিঙাই ওইরিবা সিটি অসি জামসেদপুর ইষ্ট অসিনি। ১৯৯৫তগী হৌনা চীফ মিনিষ্টর রঘুবর দাসনা সিটি অসি ফংলক্লিবনি।

মহাক্না এক্স-কেবিনেট কোলিগ সরজু রাইগী মায়োক্তা লেপ্পি। পার্টিনা সরজু রাইদা টিকেট পীদবদগী মহাক্না পার্টি মায়োক্তা লেপপ্লকখি। অতোপ্পা মরুওইবা সিটশিংদি জে এম এম একজিক্যুটিব প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টরনা কন্টেষ্ট তৌরিবা দুমকা অমসুং বারহেতনি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং ঝরখন্দ বিকাস মোরচা- প্রজাতন্ত্রিক (জে ভি এম) পি প্রসিদেন্ট বাবুলান মরান্দিনা ধনৱার এসেমব্লি সিটিতগী মীখল থেংনরি। ২০১৪ এসেমব্লি মীখলদা মায়থিহৌবা এ জে এস য়ু প্রসিদেন্টনা অমুক হন্না সিলি সিটতগী মরাইবক য়েংলি।

# সি এ এ য়ানিংদবা ফোঙদোকপা প্রফুল্লা মহন্তা এন এস জি সেক্যুরিটি কোভর লৌথোকখ্রে



**গুৱাহাটি, দিসেম্বর ২২(এজেন্সি)ঃ** য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা হান্নগী অসাম চীফ মিনিষ্টর প্রফুল্লা মহন্তগী সেক্যুরিটি অদু এন এস জি পার্সোন্নেল য়াওবা জেদ প্লসতগী সি আর পি এফ পার্সেন্নেলগা লোয়নবা জেদ প্লসতা ওইনা দাউনগ্রেদ তৌখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা মশাগী মত হংনবা হোৎনবদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মহন্তা পাউ ফাউনবা ফংখিদে। মহাক মহাক্কী পার্টি অসোম গন পরিষদকী মনুং অমসুং মপান অনীমক্তা সিটিজেনসিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট (সি এ এ)গী মায়োক্তা লেপ্পা খ্বাইদগী কনবা অমনি। মহাক্কী পার্টি এ জি পি অসি বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা খোঙবু পার্টি অমনি।

য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা) মিলিটেন্টশিংনা প্রফুল্লা কুমার মহন্তাবু হাৎনবা হোৎনরমখিবা মতুং ১৯৯৭দা মঙোন্দা জেদ-প্লস এন এস জিগী সেক্যুরিটি কোভর পীখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা মহন্তগীদমক জেদ - প্লস কোভর অদু ২০১৭দা অমুক লৌথোকখি। মদু মহাক্না সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬গী মায়োক্তা লেপ্পা মরমদগী তৌরকখিবনি হায়না মতম অদুদা মহাক্না মরান শীখি।

মদুগী মখা তারকপদা মহাক্না হায় কোর্টতা ৱাফম অদু ৱাকৎখি অমসুং মাগী এন এস জি সেক্যুরিটি কোভর অদু হায় কোর্টনা অমুক হঞ্জিলহনখি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without

**Hard Sana Suduku-338**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 2 | | | 3 | 1 | | 4 | |
| | | 3 | | 4 | 8 | | 1 | 2 |
| 1 | | 4 | 2 | | | | | 8 |
| 8 | 6 | | 5 | | | 7 | | |
| 4 | 3 | | 1 | | | 2 | | |
| 5 | | | | | | 1 | | 3 |
| 2 | | | 3 | | | 4 | | |
| | | 7 | | 1 | | 8 | | |
| | 1 | | | | 2 | | 3 | |

**সনা-সুদোকু-৩৩৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 2 | 4 | 8 | 9 | 3 | 6 | 1 |
| 8 | 9 | 4 | 3 | 6 | 1 | 5 | 2 | 7 |
| 1 | 3 | 6 | 7 | 5 | 2 | 8 | 4 | 9 |
| 9 | 2 | 5 | 8 | 3 | 7 | 6 | 1 | 4 |
| 3 | 8 | 1 | 6 | 2 | 4 | 7 | 9 | 5 |
| 4 | 6 | 7 | 1 | 9 | 5 | 2 | 3 | 8 |
| 6 | 1 | 3 | 5 | 4 | 8 | 9 | 7 | 2 |
| 5 | 7 | 9 | 2 | 1 | 3 | 4 | 8 | 6 |
| 2 | 4 | 8 | 9 | 7 | 6 | 1 | 5 | 3 |

## GAS TODAY

**R & H Indane**
Booking : 22/10/19
Valid : 15/10/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 30/10/19
Sl. No. : 4250
Valid : 25/10/19
Sl. No. : 3701
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**J . Rongmei Sk Indane**
Booking : 24/10/19
Valid : 23 /10/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 21/11/19
Valid : 09/11/19
Stk : 612- 19kg Available
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 01/12/19
Valid : 20/11/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 18/11/19
Valid : 14/11/19
Stk : 612

**K & K Indane**
Booking : 05/11/19
alid : 03/11/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : 28/10/19
Valid : 23/10/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 28/10/19
Valid : 24 /10/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Haran Velley, Kwakta**
Booking : 13/10/19
Valid : 10/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**R B D Indane Service**
Booking : 02/11/19
Valid : 20/10/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10. 30 a.m.

**Imphal LPG Service**
Stk : 19kg-110/ 5kg Available
Time : From 08 .30 a.m.

**Santhel Bazar Indane**
Booking : 30/10/19
Valid : 26/10/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10. 00 a.m.

**Heirok Indane**
Booking : 02/11/19
Valid : 22/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.